# ইশানা য়াজবা

## শমস্যা

ইশানা য়াজবা ঙ্লাৎপা অসি ফগৎলক্লিবা এদিক কয়ামরুমগী শমস্যা অমনি। অশোয়বা মচা-মচাশিং অসি খঙবা হায়বসি অল্লাবা অমনি লোয়ননা য়াম্না তোয়না খঙদনা হৌখি। ঐখোয়গী পুন্সি মথোং খঙলকখিদ্রে হায়বসি য়াজদবীদা, দ্রগ শীজিন্নবা খক্তনা ঐখোয়গী শমস্যানি হায়না ঐখোয় অয়াম্বনা থাজখি। শীজিন্নবা লেপ্পবা মতুং ফাওবদা, য়াজদবা অসিনা ঐখোয়বু মখা তানা মফম মরাং খঙহন্দে। ফগৎলকপগী চঙশিল্লিবা লম্বেলসিদা ঐখোয়না হকথেংনবা শমস্যা কয়া, ঐখোয়গী থম্মোয়নুংদগী ইশানা য়াজবা ঙমদবা অদুদগী হৌরকফম ওই। ঐখোয়গী শমস্যা অসিগী হৌরকফমদি নুংঙাইতবা অসিনি হায়না ঐখোয়না খঙজদবা য়াই, মরমদি মসি য়াম্না তোয়না অতোপ্পা মওং কয়ামরুমদা ফোঙদোরকই। ঐখোয় শাওগনবা নৎত্রগা বিচার তৌগনবা, পেন্দবা, ঙ্লাখল পীকথবা, নৎত্রগা চমম্লবা পোকপা য়াই। নুংদা ফাওরিবা ঐখোয়গী ঈথিল অদু পেন্নবা হোৎনবদা ঐখোয়না অকোয়বগী ফীভমশিংবু হোংহন্নবা হোৎনরম্বসু য়াই। মসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা ঐখোয়গী হকথেংনরকপশিংনা উৎলে মদুদি ঐখোয়গী পেন্দবা অদু নুংদা হংজবনা খ্বাইদগী ফবা উপায়নি। ঐখোয়না খঙলে মদুদি ঐখোয়সি য়াম্না তোয়না ইশানা ইশাগী অশোয়বতা থিগনবা, ইশাবু-তুক্কৎচনা অমসুং ইশাবু থানজদ্রবনা কা হেল্লবা মীনি।

এন: এ:দা লাকত্রিঙৈগী মমাঙদা, ঐখোয় অয়াম্বনা ঐখোয়গী পুন্সি অসি ইশাবু থানজদ্রবা মওংদা লেনখি। ইশাবু ঐখোয়না তুক্কৎচখি অমসুং অতোপ্পা শক্লোন অমা লৌননবা ঙমজবী চাংদা হোৎনখি। ঐখোয় ইশাসি নত্তবা অতোপ্পা অমা ওইনীংখি। ইশানা ইশাবু য়াজবা ঙমদবদগী, ঐখোয়না অতোপ্পশিংগী য়াবীবা অদু ফংননবা হোৎনখি। ঐখোয় ইশানা ইশাবু নুংশিবা অমদি থাজবা অদু পীবগী মহুত্তা অতোপ্পা মীওইদগী ফংননবা হোৎনখি, অদুবু ঐখোয়গী নুংশিবা অমসুং মরুপ-মপাং ওইবগী মরিদু মতম চূপ্পদা নিয়ম খরগী মতুং ইনখি। কনাগুম্বা অমগী য়াবীবা অমদি থাজবা ফংনবা খক্তংগী ঐখোয় করিগুম্বা অমা হেক্তা তৌগনি, অমসুং মতুংদা ঐখোয়না পাল্লিবা মওংদু তৌরক্তবা মীওইশিংদা মলোম থমগনি।

ইশানা ইশাবু য়াজদবা মরমনা, অতোপ্পনা ঐখোয়বু থানবীরোই খনখি। ঐখোয়গী অশেংবা শক্তমসি খঙলবদি মখোয়না তুক্কৎচরক্কনি হায়বসিগী অকিবনা, ঐখোয়না কনাগুম্বা অমত্তগা নকশিন্নবা মরী থমদনবা হোৎনৈ। অশোনবা অসিদগী ইশাবু ঙাকথোকচনবা, মখোয়না ঐখোয়বু ইন্থোক্রবগী খুদোংচাবা ফংদ্রিঙৈদা ঐখোয়না মখোয়বু ইন্থোকই।

## খোঙথাং তরানিথোইনা পাউখুম্নি

ঙসিদি, অহানবা খোঙথাং ওইনা ইশানা য়াজবা অসি ঐখোয়গী এদিকশনবু য়াজবনি। ঐখোয় ইশাসি মীওইবা অমনি হায়না য়াজদ্রিঙৈ মমাঙদা ঐখোয়গী লায়না অমসুং মসিনা পুরকপা অকায়বা খুদিংমক য়াজবা অমা চঙই।

ইশানা-য়াজবা অসি পুরকপদা মতেং ওইনবা মথংগী খোঙথাংদি, ঐখোয়বু অমুক হন্না জ্ঞান হনজিনহনবীরকপা ঙম্বা ইশাদগী হেনবা শক্তিদা থাজবনি। ঐখোয় কনাগুম্বা অমগী হেনবা শক্তিগী ঙ্লাখল্লোম্দুনা থাজবগী মথৌ তাদে, অদুবু ঐখোয়গীদমক্তা থবক পাঙলিবা ঙ্লাখল্লোম্দুদা থাজফমদি থোকই। ইশানা য়াজবগী নুংগী ওইবা থাজবদি, ঐখোয় চৈনা থেংনবা কায়দে, শোয়দবা ঙমদে, অমসুং ঐখোয় শোয়বা নাই হায়না খঙবসিনি।

ইশানা-য়াজবা অসি পোকহন্নবা খ্বাইদগী ফবা উপায়দি ফগৎলকপগী খোঙথাং তরানিথোইগী পরিংদনি। হৌজিক্তি ঐখোয় ইশাদগী হেনবা শক্তি অমদা থাজবা লাক্লবনিনা, ঐখোয়গী অশোয়বা অমসুং অফবশিং থম্মোয় শেংনা য়েংশিঞ্জবা ঙম্লনবগী থৌনা অদু মহাক্কী পাঙ্গল অদুদা তাংজবা য়ারে। মসিনা করিগুম্বা মতমদা ঙ্লারবসু অমদি ইশানা য়াজবদা লমজিং ওইদ্রগসু, ঐখোয়গী নুংগা মরী থম্বদি মথৌ তাই। ঐখোয়না ফগৎলকপগী অচেৎপা যূক্ফম অমা থম্বা পাম্মী, মরমদুনা ঐখোয়গী থবক অমদি ঈথিলশিং অদু য়েংশিনবা মথৌ তাই লোয়ননা য়াজদবা পোৎশকশিং অদু হোংদোকপা হৌগনি।

ঐখোয়গী অশোয়বশিং অসি ঐখোয়গী শরুক অমনি অমদি এন: এ:গী প্রোগ্রামসিগা চান্ননা হিংনবা হোৎনরবা মতমদতা লৌথোকখিবা ঙমগনি। ঐখোয়গী অফবা গুনশিং অসি ইশাদগী হেনবা শক্তিগী খুদোলনি, অমদি গুনশিং অসিবু মপূং ফানা শীজিন্ননবা হোৎনরকপগা ইরোয়ননা, ঐখোয়গী ইশাদা থাজবা হেনগৎলকই অমদি ঐখোয়গী পুন্সিসু ফগৎলকই।

করিগুম্বা মতমদা ঐখোয়সি ঐখোয়না খল্লিবা অদু ওইগদবনি হায়বগী থম্মোয়দা খনবা মংলান্দা পুৎথৈ। ঐখোয় ইশাবু শোক্ছজবা অমদি নাপলনা থুমহৎপসু য়াই, অদুবু হেনবা শক্তিদা থম্বা ঐখোয়গী থাজবা অদু ময়োল চোংহন্দুনা ঐখোয়দা ফগৎলক্লবা আশা, পাঙ্গল অমসুং থৌনা পী।

ইশানা-য়াজবনা ঐখোয়গী ফগৎলকপদা চাং অমা থম্বা ঙমহল্লি। ঐখোয় ইশাগী শক্তম অসিদা পেন্থোকচরকপা মরম্লা অতোপ্পশিংগী থাজবা অদু থীরুবগী মখা তানা মথৌ তাদ্রে। ঐখোয়গী অফবা গুণশিং অদুদা মকা লাম্লা মীৎয়েং থম্না, ঐখোয়গী অশোয়বশিং অদুদগী নোল্লুক্লা লাপথোকপা, অমসুং ঐখোয়গী ঙমজবী চাংদা খ্বাইদগী ফবা ফগৎলক্লিবা এদিকশিং ওইনবা হোৎনবা য়ারে। ঐখোয়গী অশেংবা শক্তমবু য়াজবগী অর্থদি ঐখোয় শোয়বা নাই, তৌইগুম্বসুং ফগৎলক্লবা হোৎনবদি ঐখোয় ঙমগনি হায়বসিনি।

ঐখোয় নীংশিংই মদুদি ঐখোয় এদিকশনগী লায়নাগা শাগোন্নরি অমসুং থম্মোয়নুংদা ইশানা য়াজবা অসি লাকপদা মতম শাংনা চঙই। ঐখোয়গী পুন্সি অসি ফনা মওং চাদবা ওইরগসু, নার্কোতিক্স এনোনিমশকী ফেল্লোশিপনা মতম লৈবা খিবিক্তা ঐখোয়বু কোনশিনবী।

ঐখোয়গী শক্তমসি ইশানা য়াজবনা মীওইবগী শোয়বা নাইদবা পান্বগী শমস্যা অদু কোকহল্লি। ঐখোয় ইশানা ইশাবু য়াজরবা মতমদা, ঐখোয়গী পুন্সিদা অহানবা ওইনা অতোপ্পবুসু নিয়ম থমদনা য়াজবা ঙম্মী। ঐখোয়গী মরুপ-মপাং ওইবগী মরী চেৎশিল্লকই অমসুং এদিকশিংনা ফগৎলকপগী অমদি অনৌবা পুন্সি অমগী য়েন্নমিন্নবা অদুগী ফলনা, নুংঙাইবা অমদি চেকশিনমিন্নবা অমা ঐখোয়না হকথেংনরকই।

ঈশ্বর, পীনবীয়ু ঐঙোন্দা পুক্লিং লৈতাবদো
হোংহন্বা ঙমদবশিংদুবু ঐহাক্লা য়াজনবা,
ঐহাক্লা হোংহন্বা ঙম্বশিংদুবু হোংনবগী থৌনা,
অমসুং খেন্নবদুবু খঙজনবগী লৌশিং।

Copyright © 1998 by
Narcotics Anonymous World Services, Inc.
হক খুদিংমক অফোংবগীনি।

World Service O  ce
PO Box 9999
Van Nuys, CA 91409 USA
T 818.773.9999
F 818.700.0700
Website: www.na.org

World Service O  ce–CANADA
Mississauga, Ontario

World Service O  ce–EUROPE
Brussels, Belgium
T +32/2/646 6012

World Service O  ce–IRAN
Tehran, Iran
www.na-iran.org

মশি এনঃএঃ ফেলোশিপনা অয়াবা পিরবা সাহিত্যাদগী হনদোকচবনি।

Narcotics Anonymous, , , অমসুং The NA Way
রেজিস্টার তৌরবাখুদমশিংনি।
Narcotics Anonymous World Services, Incorporated.

ISBN 978-1-55776-365-5 Manipuri 4/13
WSO Catalog Item No. MP3119

Narcotics Anonymous®
নার্কোতিক্স এনোনিমশ

IP No. 19-MP

# ইশানা য়াজবা